**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21-01-2025)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-থকশি খাসি নাইনা চৎপা খুন্নাই খক্তনা মালেমগী চাউখৎপগী লমজেলদা য়াওবা ঙমগনি।

রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী অহানবা বটালিয়ন মনিপুর রাইফলসকী পেরেড গ্রাউন্দদা ঙসি পাঙথোকখিবা মনিপুরনা ভারতকী মপুং ফাবা রাজ্য অমা ওইখিবগী ৫৩ শুবা কুমওন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য অসিনা ঙসি ওইরিবা শক্তম অমদি চাউখৎপা ফিভম অসি পুরকবা হোৎনবদা কৎথোকখিবা মনিপুরি খুদিংমক্কী মফমদা ঐখোয়না ইকায় খুমবা উৎফম থোকই।

চাউখৎপা, লিংজেল মান্নবা মনিপুর অমা পুরকবা ঐখোয় খুদিংমক ৱাশক লৌমীন্নরসি হায়রদুনা শ্রী বিরেননা হায়-রাজ্য অসি হৌজিক করম্বা ফিভমদা লৈরিবগে হায়বদু ঐখোয় খুদিংমকা খঙনরবা ৱাফমনি। হৌজিক ওইরিবা সমস্যা অসি কোকহন্নবা ঐখোয় খুদিংমকা অপুনবা লীংজেল অমদি অপুনবা দায়ত্ব লৌমীন্নবা চংই।

মহাকা হায়-মনিপুরগী লম্মিৎ তুম্মিৎকী ফিভম কায়থরক্লিবা, আইন কায়না মীতোপ চংশিল্লকপা, ঙমখৈ শম্বল খাবা, ভারত ম্যান্মার ঙমখৈগী অশাংবা কয়ানো হায়বনচিংবগী কুপা খঙবা মীগী মশিং য়ামদবনা সমস্যা কয়া অসি মায়োকরকপনি। ইং ২০২৩ গী মে অহুমদগী থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মীয়ামনা অসিগুম্বা কয়া অসি তপা তপা খঙলকপনি অমদি হীরম অসিগী মতাংদা মীয়ামনা নৈনবা হৌরকপনি। ফিভম অসি য়েংলগা মনিপুরগী মীয়াম অমদি হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংদা মনিপুরগী মরমদা নীংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা নো ইয়োর মনিপুর কৌবা লাইরিক অমা পুথোক্লে। মসিনা মীয়ামনা শোয়দনা কান্নবা পীবগনি হায়বগী থাজবা ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মনিপুরগী কালা সংস্কৃত্তি অমদি ঠিয়েটরগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌবগীদমক শকাইরবা ঠিয়েটর পার্সোনেলিতি-পদ্মশ্রী রতন থিয়ামদা রাজ্য সরকারনা লাইফ টাইম এচিপমেন্ট এৱার্ড পীদুনা ইকায় খুমখি। মনা অদুদা সাইটেসন অমা, সোল অমা অমদি শেল ওইনা লুপা লাখ ১০ য়াওরি। মসিগী মথক্তা কাংপোকপী, চান্দেলগী এস.পি. মনোজ প্রভাকর অমসুং শিবানন্দা সুরবে অমদি মোরেগী এস.দি.পি.ও. ওইরম্বা লৈখিদ্রবা চিংথাম অনন্দকুমারনা চীফ মিনিস্তরস কমেন্দেসন এৱার্ড পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**সিএম (এল)**ঃ কামজোং জিলাগী রিহা খুলদা লুপা কোতি অনি মখায়রোম চংনা গেলরি য়াওবা শান্নবুং অমা শেমগৎলগনি।

ৱাফম অসি রিহা খুলদা পাঙথোকপা ৩৩ শুবা জেনরেল কনফরেন্স কম স্পের্টস মিট ২০২৫-তাংখুল আজে কতমনাউলোং  হৌদোকপগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা ৱার্ক্স মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম, পৱার মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎ, ক্রাফস এন্দ পি.দিগী মন্ত্রি-এল. সুসিন্দ্রো, ফোরেষ্ট মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাই, এম.এল.এ. থোঙাম শান্তি অমদি ময়াংলাংবম রামেশ্বর শরুক য়াখি।

**সেফতি (এল)**ঃ নেসনেল রোড সেফতি মন্থকা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা জোনেল এদুকেসন ওফিস-থৌবাল অমদি দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিস থৌবাল অনিনা পুন্না শিনদুনা জিলা থাক্কী কুইজ কম্পিটিসন অমা ঙসি চাডয়াইমা হয়ার সেকেন্দরি স্কুল থৌবালগী ওদিটোরিয়ম হোলদা পাঙথোকখ্রে।

জিলা অসিগী মনুংদা লৈরিবা স্কুল মরিগী মহৈরোইশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা কুইজ কম্পিটিসন অদু হৌদোকপগী থৌরমদা দিপ্যুতি

কম্মিস্নারগী অহন্থেম সুবাস, জেট.ই.ও. অরাম্বম অনিলকুমার, দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসার-হেমোচন্দ্র ইরেংবম অমদি চাউয়াইবা হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল-এম. মোহিন্দ্রো শরুক য়াখি।

**ভোটর (এল)ঃ** ১৫ শুবা নেসনেল ভোটর ডেগা মরী লৈননা থা অসিগী ২৫ দা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা দি.সি. কমপ্লেক্সকী কোন্বীরৈ হোলদা 'নথিং লাইক ভোটিং, আই ভোট ফোর সিয়োর' হায়বা হীরমদা নুমিৎ অসি পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অদুদা নৌনা ভোটর লিষ্টতা মিং চল্লবা ভোটরশিংদা মখোয় মখোয়গী ইলেক্তরস ফোটো আইদেন্টিতি কার্ড য়েন্থোক্লগনি।

**টিবি (এল)ঃ** মনিপুরগী রাজ্যপাল-আজয় কুমার ভাল্লানা ঙসি নি-সে এন্দ টি.বি. কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী ফিভম হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

নুমিৎ ১০০ নি চুপা চত্থগদবা থৌরম অসিগী মনুংদা টি.বি. লায়না লৈহৌ দনবা অনৌবা টেকোলোজি অমদি হিদাক-লাংথক কয়া শিজিন্নদুনা অকনবা মওংদা থবক পায়খৎলি।

লৈবাক অসিদা হৌজিক চত্থরিবা প্রোগ্রাম অসি মনিপুরগী ওইনসু মপুং ফানা চত্থনবা রাজ্যপালনা মরী লৈনবশিংদা পাউতাক পাখি। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা হকশেল মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জননা রাজ্য অসিদা হৌজিক পায়খৎলিবা প্রধান মন্ত্রি-টি.বি. মুক্তা ভারত অভিয়ানগী মতাংদসু নীংথিনা পাউদমখি।

টি.বি. লায়না পুংমুৎ মুথৎনবা হোৎনবদা ষ্টেকহোল্ডরশিং অমদি মীয়াম পুন্না হোৎনমীন্নবগী তঙাইফদবা অদুসু মন্ত্রিনা ফোংদোকখি। টি.বিনা নারবা অনাবশিংদা মচি ওইবা চিঞ্জাক পীজবা অমদি মখোয়গী লায়েং চত্থনবা হোৎনবদা হকশেল বিভাগনা লৌরিবা থৌদাং অদুবুসু মন্ত্রিনা রাজ্যপালদা পাউদমখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা চথুরকখিবা ইরাংনা মরম ওইরগা মফম কয়াদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগীদমক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা শিনদুনা ঙসি থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং কোদোমপোকপীদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে।

রিলিফ কেম্প অদুদা হকশেল, শিক্ষা, পঞ্চায়েটি রাজ, সোসিএল ৱেলফিয়ার,পি.ঐচ.ই.দি, এম.এস.পি.দি.সি.এল অমদি কাফ এন্দ পি.দিনচিংবা কয়া হাংদুনা মীয়ামগী ৱাকৎ তাখি।

নানে জিলাগী লোংমাই থ্রিদা লৈবা মল্টি পর্পজ হোলদসু ঙসি মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোকখি। মসিদা সরকারনা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাংগী কান্নবশিং হকথেংননা মীয়ামদা ফংহনখি। মীয়ামগী নুমিৎ অসিদা তোঙানবা বিভাগকী স্তোল ১৭ হাংখি।

**এময়ূ (এল) ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার-এন. লোকেন্দ্রনা হায়রি-লেঙ্গৈাইজ য়াওদনা কলচর মপুং ফাবা ঙমলোই। লেঙ্গৈাই অমদি কলচর অসি চৎমীন্নরবা মতমদা লমদম অদুগী চপ চাবা মশক মওং খঙবা ঙমগনি।

ৱাফম অসি ভারত্তিয়া ভাসা সমিটি, য়ু.জি.সি. অমসুং মনিপুর ভাসা সমভরধন সমিতি (এম.বি.এস.এস) না পুন্না শিনদুনা পাঙথোকপা নুমিৎ নিনি চথুগদবা-অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্বদা শিজিন্নরিবা লাইরিকশিংবু ভারতকী লোলশিংদা ইবা হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা য়ু.জি.সিগী সেক্রেটরি-ডা: ম্রিগাংতা সেখর শর্ম্মা, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী হান্নগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার এন. রাজমোহন অমদি মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচরগী ভি.সি. প্রোফেসার-পি. গুনিন্দ্রো শরুক য়াখি।

**তমেংলোং(এল)ঃ** অসাম রাইফলসকী তমেংলোং বটালিয়ননা শিনদুনা লাক্লিবা গনতন্ত্র দিবসকী মাংওইননা মহৈরোইশিংগী ওইবা লৈবাক নীংবা ঈশৈ চাংদমবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

চাংদমবা অদুদা তোঙানবা তোঙানবা স্কুলশিংদগী মহৈরোই ১০০ রোমা সোলো অমসুং গ্রুপ সোংগী কেটেগোরিদা অহান অকোন তান্নখি। ঙসি পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অসিদা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোইশিংদা লাক্লিবা গনতন্ত্র দিবস নুমিৎতা মনা-মথুমশিং য়েন্থোক্কনি।

**এৱারনেস(এল)ঃ** মহৈরোইশিংবু মতৌ করমা লাইরিক্তা পুকিং চংহনগনি অমদি মমা-মপা ওইবীশিংনা অঙাংশিংবু করমা লোয়নগনি হায়বা হীরমদা নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ইষ্টকী লমলাইদা লৈবা ইবুধৌ ৱাংব্রেনগী শঙলেনদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু নুঙ্গোই অপুনবা ক্লবনা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

**অমিত ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ছাতিসগর অমসুং উরিষ্যাগী লোন্নবা মফমশিংদা চত্থখিবা ওপরেসনদা মাওইষ্টকী মীওই ১৪ হাৎখিবগী থৌদোক অদুবু গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা অপেনবা ফোংদোক্লি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা হায়-সি.আর.পি.এফ, স্পিসিএল ওপরেসন গ্রুপ উরিষ্যা অমসুং ছাতিসগর পুলিসকী অপুনবা কাংবুনা মকোক থোংবা নক্সলাইট লুচিংবশিং য়াওনা হাৎপা ঙম্বা অসিনা লৈবাক অসিদগী নক্সলিজম লৈহন্নদবগী অচৌবা খোঙথাং অমা ওইরি।

নীংশিংবা য়াই, ঙসি অয়ুক অঙনবা মতমদা ছাতিসগী গারিয়াবন্দ জিলাদা মাওইষ্টকী সেন্ত্রেল কমিতিগী মেম্বর য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা টিম অদুনা হাৎপা ঙমখিবনি। কমিতি মেম্বর অদুগী মথক্তা সরকারনা লুপা কোতি

অমগী মনা লাউথোকখ্রবা মীশকনি।

**কাশ্মির ঃ** কাশ্মিরগী অৱাংদা লৈবা বারামুলা জিলাগী জালুরা সোপোর উমংদা চত্থরকপা সেক্যুরিতি ফোর্সকী ওপরেসন-গুজরপতি হৌজিক মখা তানা চত্থরি। মফম অসিদা লালহৌবা কয়া লৈরে হায়বগী অককবা পাউ ফংবদগী ভারত লান্মী অমসুং জম্মু কাশ্মির পুলিসনা নোংমাইজিং নুমিৎতগী মফম অদু কোইশিনদুনা থিবা হুন্নবগী থবক অসি চত্থরকপনি।

আই.জি.পি-ভি.কে. বরদিনা পাউমীশিংদা হায়-লোৎতুনা লৈরম্বা লালহৌবশিং অদুগা খুৎ থোকবদা ২২ শুবা রাস্ত্রিয়া রাইফলসকী লান্মী অমা লৈখিদ্রে।

**আরজিকর ঃ** নোংচুপ বেঙ্গোলগী আর.জি.কর হোস্পিতালদা মহৈ তম্লম্বী জনিয়ার ডাক্তর অমবু ওৎ-নৈরবা মতুংদা তমথিনা হাৎখিবা ৱাথোক্তা চেন্নবা-সঞ্জয় রোইবু অখন্নবা কোর্ট অমনা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈনবা ফাদোক পীখিবা অদুগী মহুৎতা শিবগী চৈরাক পীবিয়ু হায়না নোংচুপ বেঙ্গোল সরকারনা কলকাতা হায় কোর্টতা তকশিল্লি।

রাজ্যগী এদভোকেট জেনরেল-কিশ্বর দত্তনা কলকাতা হায় কোর্টকী দিভিজন বেঞ্চকী জষ্টিস-দেবংশু বাসপ অমসুং জষ্টিস-সবার রাশিরিদা হীরম অসিগা মরী লৈননা তকশিনখি। দিভিজন বেঞ্চ অদুনা সরকারগী ৱাফম অদু খন্নগনি হায়বগী অয়াবা পীখি।

**দিল্লিঃ** সিট ৭০ লৈবা দেল্লি বিধান সভা মীখলদা মীরেপ ৬৯৯ না লন্বা তৌনরগনি। মীখল মথং থাগী ৫ দা পাঙথোক্কনি। ভোট মশিংনা ফেব্রুৱারি ৮ দা থিগনি। মীরেপ লিশিং ১,৫২৩ না মীরেপচে পীশিল্লকখি। মদুগী মনুংদা, মীরেপ ৮২৪ দগী মীরেপচেশিং য়াখিদবনি। মীরেপচে পীশিনবগী অরোইবা নুমিত্তা

৬৮০ না মাগী মাগী মীরেপচেশিং পীশিল্লকখি।

মীখল অসিদা বি.জে.পীনা সিট ৬৮ তা মীরেপ থাগৎলি। লেমহৌরিবা সিট ২ অদুনা মখোয়গা চুংশিন্নবা জে.দি.য়ু অমসুং এল.জে.পীনা থেংনগনি। কংগ্রেসনা সিট ৬৮ অমসুং সরকার পায়রিবা আম.আদ্মি পার্তিনা সিট ৭০ মক্তা মীরেপ থাগৎলে। হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি আরবিন কেজ্রিৱালগী বিধান সভা কেন্দ্র নিউ দেল্লিদা মীরেপ খ্বাইদগী য়ামা মীরেপ ২৩ না লম্বা তৌনগনি। অদুগা, পট্টেল নাগর অমসুং কসতুরবা নাগরদনা খ্বাইদগী য়ামদনা মীরেপ ৫-৫ না লম্বা তৌনগনি।

**--হৌজিক শান্নবগী পাউ, ক্ষেত্রিমযুম বিরোজসতগী--**

**পোলো (এল)ঃ** ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা চথরিবা দি.জি.এ.আর. মেন্স এন্দ ৱিমেন পোলো চেম্পিয়ন-২০২৫ কী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী কেটেগোরিগী মেটচ অমদা অসাম রাইফলস মেন্স পোলো টিম (এ) না য়ুনিভরসিএল পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১২-৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা কোংপাল পোলো ক্লব টিম (বি) না আমির ক্বাক্তা পোলো ক্লব পাঞ্জল ১৩-০ দা থোইখ্রে।

নুপীগী মেটচ অমদা চিংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা ইবুধৌ পাখংবা পোলো ক্লবনা পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** মরিশুবা মাস্তর ডা: মোইরাংথেম মনাউতোন সিংহনা এন্দ এম. চন্দ্রসাখি মেমোরিএল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ গী ঙসিগী লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা শন্নাখিবা মেটচ অমদা ভি.এস.এ.আইনা ভি.এস.এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** থৌনাওজম প্লে গ্রাউন্দদা চখরিবা অনিশুবা ইমা পান্থোইবী ট্রোফি ২০২৫ গী মেটচতা এ.আই.এফ.এ. ইরেংবন্দ লাক্তবদগী এস.এফ.সি. শুগ্দা ৱাক ওভর পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা লাংলেন এফ.সি. লমজাউনা ৱাংখেম এফ.সি লমফেলবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** হাউরৈবী কাংজৈবুংদা চখরিবা ৫ শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এফ.সি. সেক্তা অমসুং করাম এফ.সি. পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা ড্রো চৎখ্রে।

উরুপ অরাপতি এফ.সিনা আই.টি.এফ.সি. উচিৱাবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** দি.এফ.এ. থৌবালনা কোন্দোংপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লিক টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সন্সোস ফুটবোল একাডমী-তেন্থানা জে.জে.এফ.এ. থৌবালবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** কর্নেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিএল ফোর্দ ইন্টর ক্লব ফুদসাল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ক্রিপসনানা পোলোই এফ.সিবু পাঞ্জল ৬-৩ দা, এম.য়ু.এফ.এনা এস.এস.সিবু পাঞ্জল ৯-৪ দা, ই.এস.য়ুদে এম.আই.য়ু.এফ.সিবু পাঞ্জল ৯-৫ দা অমদি আর.এফ.সি.সিনা য়ু.ৱাই.পি.এবু পাঞ্জল ৯-৬ তা মায়থিবা পীখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** ৯ শুবা এন.সি.এ. ডব্লিয়ুল প্রহালাদা এন. ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী লিক মেটচ অমদা ই.এস.য়ু. ৱাংখৈনা

সি.আর.য়ু. খমাম বজারবু ৱিকেট তরুক্তা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা রেজ খ্বাই-নাগামাপালনা পি.টি.সি.সি. পাৎশোই পার্ট থ্রিবু ৱিকেট অনিদা থোইখ্রে।

**জ়দো (এল)ঃ** মহারাস্ত্রাদা হয়েংদগী হৌগদবা নেসনেল কেদেদ জ়দো চেম্পিয়নসিপ ২০২৪-২৫ দা শরুক য়াগদবা মনিপুরগী নুপী অমসুং নুপা শান্নরোইশিং ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।